ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, এপ্রিল ০২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ০০৯শুবা মশীং

# অথিংবা থল্লিনৈঙেদা থৌরম পাঙথোকখিবা

## দিলিগী থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনফম থোকই

দিলিগী নিজামুদিনদা লৈবা মোস্ক অমদা পাঙথোকপা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরমদা শরুক য়ারুবা মীওই কয়া কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা মীওই ১০ শিরে হায়বা ৱাফম অসি লাইবক থীবনি। রিপোর্ট অমনা হায়, নিজামুদিন মরকজদা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম য়াওরুবা মীওই ১০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা টেলঙ্গনাগী মীওই তরুক, মপান লৈবাক্কী মীওই অমা লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মীর, কর্ণাটাকা অমদি টামিল নাদুগী মীওই অমমম য়াওরি। লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারুবা মীওই কয়ামরুমদা কোরোনাভাইরসকী লাইওং উৎথোরকখ্রবা মতুংদা পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি পর্সনেলশিংনা সাওথ দিলিগী নিজামুদিন ৱেষ্ট কোয়শিন্দুনা থল্লগা মীওই ২০০ রোম হেন্না তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা আইসোলেসন তৌদুনা থমখ্রে। টামিল নাদুগী ওইনা নিজামুদিনগী থৌরমদা শরুক য়ারুবা মীওই ১০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ঈ কে পলানিস্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।

লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অদুদা টামিল নাদুগী মীওই ১৫০০ রোম শরুক য়াখিবগী মনুংদা মীওই ৯০০ হল্লকখ্রগা অতোপ্পা মীওই ৬০০ লোমদি হৌজিকসু নিজামুদিনগী বাংলা ৱালি মসজিদতা লৈরি। মার্চ ১৩দগী ১৫ ফাওবা নিজামুদিনদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়ারুবা টেলঙ্গনাগী মীওই ৬ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরগা শিখ্রে হায়না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টরস ওফিস (সী এম ও) না কনফর্ম তৌখ্রে। টেলঙ্গনাগী সী এম ওনা এজেন্সিদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইরকপদগী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংদুনা লৈরকপনি। অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী ওইনসু ফ্লাইট অনীগী পেসেঞ্জর ৭৫ য়াওনা মীওই ১,৮০০ লোম ক্বারন্টাইন তৌদুনা থল্লি। পেসেঞ্জরশিং অদু নিজামুদিনগী থৌরমদা শরুক য়ারুবদগী কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকখ্রবা মীওই ৯গা প্লেন তোংমিন্নরকখিবনি। ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী লূপ 'টাব্লিঘি জমাট' না শীনবা দিলিগী থৌরমদা শরুক য়ারুবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মীওই পূম্নমক মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্না খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি। মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, সাওদি অরাবিয়া অমদি কিরগিজষ্টান্দগী লাকপা মীওই কয়াসু শরুক য়াখিবা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অদুদা য়াওরুবা মীওই অয়াম্বা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপগা লোয়ননা দিলিগী থৌরমদা শরুক য়াখিবনি হায়বা টেলঙ্গনাগী মীওই ১৯৪ অমসুং অন্ধ্র প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, রাজস্থান অমদি অসাম্নচিংবা অতৈ ষ্টেটশিংদসু চপ মান্নবা মওংদা খোঙ্গুল লীবগী থবক পায়খৎলি।

অন্ধ্র প্রদেশতা তেল্লবা মতমগী মনুংদা মীওই ৭১১গী খোঙ্গুল লীবা ফংখিবসি ষ্টেট পুলিসনা শেমগৎপা 'এপ' অমগী মতেংদগীনি। মমাঙ চয়োলদা অন্ধ্র প্রদেশ পুলিসনা লোঞ্চ তৌখিবা 'এপ' অদুগী মতেংনা 'হোম ক্বারন্টাইন' দা লৈরিবা মীওই পূম্নমক কূপ্না শেন্নবা ঙম্মী। কনাগুম্বা 'হোম ক্বারন্টাইন' তৌদুনা থল্লিবা মীওই অমনা ময়ূমদগী মিটর ৩০ লাপথোক্লা চৎপা মতমদা 'এপ' অদুগী মতেংদগী ইরায়-লায়না খঙবা ঙম্মী হায়রি। চৈরকসিদা, উত্তর প্রদেশ পুলিসনা থিগৎপদা ইন্দোনেসিয়াদগী লাক্লগা দিলিগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মীওই নিপাল বিজনোরদা থুংলখ্রে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে। ইন্দোনেসিয়াদগী লাকপা ইস্লাম লাইনীংগী পাউজেল শন্দোকপা মীওই ৮ মক বাংলাদেশ ফাওরগা দিলিদা থুংলখিবনি। দিলিগী নিজামুদিনদা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম য়াওরম্লগা বিজ নোরগী নাগিনাদা লৈবা মোস্ক অমদা থুংলখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী ওইনসু দিলিগী থৌরমদা শরুক য়ারুবা মীওই ১৪ মশক খঙদোকখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ সেন্ট্রেল কন্ত্রোল রুম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নিজামুদিনগী থৌরমদা মণিপুরগী মীওই ৮৫ শরুক য়াখি হায়না মিদিয়া সেক্সন খরদা ফোঙনরকখিবা ৱাফম অদু অরানবনি। ষ্টেট লৈঙাক্না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই পূম্নমক্কী মমিং-মথা অমদি ফোন নম্বর চপ চানা খঙবা ঙমলে। সেন্ট্রেল কন্ত্রোল রুমনা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকা খূৎশম্নদুনা মীওইশিং অদুগী খোঙ্গুল লীবা ঙমখিবনি। লাইনীং-লাসশোনগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারুবা মীওই ১৪ থেংনরে। মীওই ৩৯দি মণিপুরগী মপান্দা লৈরি। অহানবা তাঙ্ককী ওইনা দিল্লিগী থৌরমদা শরুক য়ারুবা মীওই অহুম টেষ্ট তৌরে। অতৈ মীওইশিংসু টেষ্ট তৌরগনি হায়রি। দিলিদা পাঙথোকখিবা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অদুবু মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসনশিং, মুসলিম ক্লেরিক অমদি একাদেমিক কয়ানা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। লৈবাক অসিদা মুসলিমশিংগী খ্বাইদগী চাউবা ওর্গনাইজেসননি হায়না লৌনরিবা জামিয়াট উলেমা ই হিন্দগী জেনরেল সেক্রেটরি মোলানা মহমুদ মদানিনা হায়খি, মরাল লৈবশিং লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি। অদুম ওইনমক 'মিদিয়া ত্রাইয়ল' চত্থবগী মওংদা কনাগুম্বনা সোসল মিদিয়াদা অখন্নবা কাঙলূপ অমগী মীওই পূম্নমক মরাল শীবা তৌরোইদবনি। নাকল অমরোমদা, কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস মশীং অমসুং মী শিবগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অমা শন্দোরক্লে খঙনা-খঙনা দিলিদা মতৌ করম্না লাইনীং-লাইশোনগী অচৌবা থৌরম অমা পাঙথোকহনখ্রিবনো হায়বদুনি। ইন্দোনেসিয়া অমদি মলেসিয়াদগী লাকপা মীওইশিং য়াওনা চাউরাক্লা মীওই ২০০০ হেন্না তিনখিবা থৌরম অদুদা মণিপুরদগী মীওই খরসু শরুক য়াখি হায়বা খঙলবনিনা ষ্টেট অসিদা মখা তানা কোরোনাভাইরস শন্দোরক্লবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই। হীরম অসিদা লৈঙাক্না লোকদাউন তৌবখক্লা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না খনবা লানগনি। দিল্লিগী থৌরমদা শরুক য়ারুবা মীওইশিং অমসুং মখোয়না থেংনখিবা, ৱারী শানখিবা মীওই পূম্নমক্কী খোঙ্গুল লীরগা মথৌ তাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। লুরবা তানফম অসিদা মীয়াম্নসু সোসল মিদিয়াদা কাঙলূপ নাইবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা অখন্নবা কাঙলূপ অমগী মীওই পূম্নমক্তা মরাল শীবা চুমদে।

# খনবদা ৱাবা ৱাখল অমা

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

ঐঙোন্দই চিংনা, মালেমসিদা হিংলিবা মীয়াম পূম্নমক্কী ৱাখলদা লৈরিবসি ... 'কোভিদ-১৯ কৌবা কোরোনাভাইরস মখলদু ঐগী হকচাংদা চঙবীরক্তবা ... পূম্নমক্কী থৱায় লৌরবসু ঐহাকখক্তং খাকপীরম্বা' ... হায়বসি শোয়দনা ওইরমগনি। নেসনল, ইন্টরনেসনল অমদি লোকল ন্যুজ চেনেলশিংদা লায়নাসিগী ৱারী নত্তবা অতৈ অমা লীনদে। মীয়াম্নসু তানীংদে অতোপ্পা ৱারী, কোভিদ-১৯গী নত্তনা। কোভিদ-১৯, করিগুম্বা মাইক্রো-ওর্গানিজম অমা ওইরম্লবা, ভেকসিন পুথোকপসু লায়রমগদবনি। মীওইবই হকচাংদা চঙদ্রিঙৈ ইচম চম্বা, শকউদবা উফুল মরীক অমগুম্বা 'মোলিক্যুল' অমা ওইরম্বা, হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা অহিংবা ওর্গানিজম অমগুম সেল-দিভিজন তৌদুনা মশীং থিঙমদ্রবা মচা পোক্লকপা, মদু হাৎনবা হোৎনবদা হকচাংসিদা য়াওজবা অনঙবা মহী (ম্যুকস ফ্লুইদ) কা হেন্না শুংদোক্লগা ভাইরস অদু হাৎননবা য়োমশিনবদা নিংশা শ্বর হোন্নবা মরী (ৱিন্দ পাইপ) অসি ফুন্দুনা শিরিবনি মীওইবা। ঙরাং কয়া শিখ্রবগে? অনাবা মশীং ঙসি কয়া হেনগৎলবগে? লায়েংনবা হীদাক পুথোক্লবরা? হায়বা পাউসি খক্তনি ঐখোয়না ঙসি তানীংলিবা। রেদিও, টেলিভিজন, পাউচে অমদি মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদা তাদুনা লৈরবা পাউদুদই হেনবা করি পাউনো ঐগী পিক্লবা 'কোল্লম'সিদা তম্লুদৌবা? য়েস! অমদি লৈ। ঐগী পূক্নিংগী ওইবা পাউ অমা তম্বা। লোৎনা, থূপ্না থম্মোয়সিদা থমজবা পাউ অদু অপাবশিংদা সেয়র তৌথোকপা!

লায়না অসি উচেক-ৱায়া, শা-ঙানা শন্দোকপা নত্তে, মীওইবনা মীওইবদা শন্দোকপা অনাবা মখল অমনি হায়বসিদি য়েৎননীংঙাই, চিংননীংঙাই লৈত্রে। উচেক নৎত্রগা শা মখল অমনা শন্দোকপা ওইরম্লবা করিগুম্বা, উচেক নৎত্রগা শা মখল অদু ঙসি মালেমদা হিংদুনা লৈরমখিগদ্রা? মীওইবগী তমথীবা মতৌ উৎথোক্লম্লগনি নহান্না। মীওইবনা মীওইবদা শন্দোকপা ওইরম্বা, কদাইদই কমদৌনা ওইরক্তুনা মীওইবদা চঙবা হৌরকখিবা - নাখে শেংনা খঙহৌদবা, মীওইবা মশানা অতোপ্পা মীওইবদা শন্দোকপা ওইরম্বদুদা পাম্বে লৈত' খাঙবই ৱানি।

গ্লোবেলাইজদ-ৱর্ল্ড অমদা লৈরম্বনা লায়না অসি অসুক থুনা শন্দোকখিদুনা গ্লোবেল পানদেমিক দিজিজ অমা ওইখিবনি। গ্লোবেলাইজেসনগী মনিল ফংদবা (অৱাং কোরিয়াগুম্বা) দা কোরোনাভাইরস চঙ'ঙমদ্রিবসিনি। হায়নৈ-লায়না অসি শন্দোকপগী মওংসি থেঙ্খাং (ফেজ) অহুমথোক্লা খায়দোকই। অহানবা ফেজ - হৌফম ওইবা (অনাবগী মহীক চেনবা মীদুনা লৈরম্বা) লম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা য়ৌরকপা। ইহান হান্না হৌরকফমদুনা চাইনাগী ৱুহান সহর'না ওইরগা মালেমগী মফম অতৈদা য়ৌরকখ্রবসু ইন্দিয়া'দা ইহান হান্না লায়না অসিনা নারবা মীশক অমা থুংলখিবদুদি ইটালিদগী কেরেলা'দনি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা য়ৌরকখিবসু য়ুরোপ, মিদল-ইষ্ট অমদি য়ু কে'নচিংবা লৈবাক কয়াদগী ইন্দিয়াদা চঙলকখিবা (লোকল অমদি ফোরেনর) শিংগী খূত্থাংদনি, ইন্দিয়ন ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা শন্দোরকখিবা নত্তে। মণিপুর য়ৌরক্লিবসিসু য়ু কে'দগী দাইরেক্ট লাকপনি। হৌজিক ইন্দিয়া'দা ওইরিবা কোভিদ-১৯'গী থাক অসি অনীশুবদগী অহুমশুবা থাক অদুদা লানশিল্লমদাই অদুদনি, মপান্দগী লায়না অদুনা নারবা অনাবা অদুগা তিন্নরুবা মরুপ-মপাং, মরী-মতা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা শন্দোরকপা। অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা অনাবা, ইন্দিয়া'দা থুংলখিবদু চাইনা'দগী অমত্তং য়াওরম্লবা, মণিপুরগুম্বা অৱাং-নোংপোক-ইন্দিয়াগী মীওইশিংসিগী মরায়বক করি ওইরমগনি! ৱাখলনা লাম্বা ফংবীবরা - করিগীনো ৱাখল অসি খল্লুরিবা? চাইনাগী ৱুহান সহরদগী হৌরকখিবা লায়নানি হায়বদুগীদমক্লি - মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী অচৌবা সহর কয়াদা 'রিজন'সিগী নুপীমচাশিংদা করেম-কথায়নবীবা, তাথী তাওই তৌবীবগী পাউ তারিবা... মহীক মতায় চেনবা মীওই কাঙলূপ অমগুম উদুনা তিনশিৎনফম ওইরিবা, পোৎ-য়োনফম-দুকান অচৌবদা চঙহন্দবই ভিদিও উরক্লিবা...। চাইনিজ অমদগী ইন্দিয়াদা য়ৌরকপা ওইরম্লবা, থৱায় ফাওবা তেমশিংনরক্লম্বসু য়ারিবনি। লাল্লবরা?

ইন্দিয়ন ওথোরিটিনদি হায়ননবা হোৎনরি-ইন্দিয়াদা হৌজিক কোভিদ-১৯, অহুমশুবা তাঙ্কক (ফেজ) য়ৌদরি। হায়বদি, লায়না অসি কনাদগী কনাদা করম্না কৈদৌঙৈ লানশিল্লকখিবনো হায়বা খঙদনা শন্দোকখিবা, কম্যুনিতি ত্রান্সমিসন হায়বদুগী থাক'তু য়ৌদরি। থাক অদু য়ৌনা লানশিল্লক্তনবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বেদুনি লৈঙাক্লা ঙসি পায়খৎলিবা-ষ্টেটশিংগী বাউন্দরি লাম্থোক-লানশিন থিংজিল্লিবা, বস-ত্রেন অমদি এয়র সর্ভিস পূম্নমক লেপ্তুনা নেসনৱাইদ কর্ফিয়ু থম্বগুম 'টোটেল লোক-দাউন' লাউথোক্তুনা লৈবাকসিগী মীয়াম পূম্নমকসিবু য়ূমদগী মপান থোক্তনা ইমুংদা লৈনবা পাউমেল্লিবা। অদুবু, কনাগুম্বা পেসিমিষ্ট ওইবা মীৎয়েং য়েংগনবা খরনদি হায়-অহুমশুবা ফেজ অদুদা হান্ননা চঙখ্রবনি 'ইন্দিয়া'। টেষ্ট তৌফম লৈতবা, তঙায়ফদনা তৌনীংলবসু প্রাইভেট টেষ্টিং সেন্টর'না লৌগদবা মমলদু পীবা ঙম্লোইদবনা তৌদবনা অয়াম্বনি। নোংমা খঙহৌদনা অনাবসিনা ফুদোরকপা মতমদু য়ৌরকপদা ইন্দিয়াদা ওইগদবা শক্তমদু অকিবগী মশকনি... ইটালি, স্পেন, অমেরিকা-অনা লায়েংগী লম্দদি ইন্দিয়াগা চাংদম্নবদা লম্বানবা য়াদ্রবা লমশিংদা ঙসি উরিবা য়েংহৈদ্রবা শক্তমশিংসিদগী শরুক কয়া হেন্না তমথীগনি। কুইররোইদবা মতমনি, ইখূৎসিনা ইনিংদ্রে - ঙসি মঙা-তরানি, লোক-দাউন মতমসি লোইদ্রিঙৈ, 'দল্লিয়ু ঐচ ও'না চিংনরিবা (পেসিমিষ্টশিংসিনা খল্লিবা) ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরক্লবা...ইন্দিয়াদা ওইরক্কদবা ফীভম...থম্মোয় শোনবা কনা'দি তাবতদা অনা'-লায়ওইনগনি। অমেরিকাদা ঙসি ওইরিবা-তুংওইননা থনম্লগনি।

ঙসিদি, এপ্রিল ১৪ ফাওবা য়ূমদই মপান থোক্তনা, কনামত্তগা তোৎন-তিন্নদনা লৈবা তারি ঐসু, নঙসু, মাসু। পুন্সি খোঙচৎ অসিগী ওন্থোকপা, অঙকপা, এক্সপরিয়েন্স অমা মায়োক্নরি ঐখোয় পূম্নমক। রেলৱে কম্পার্টমেন্ট অমগী হীপ্নবা সিটি (স্লিপিং বর্থ) অমদা অমুক হীপ, অমুক ফম তৌদুনা শাংলবা খোঙচৎ অমা চৎপদুগা পাংখক ওইরবা, অশেংবা পুন্সি খোঙচৎ অমা! খনখিদে কৈদৌঙৈ অসিগুম্বা মীকূপ খরা মায়োক্নরক্কনি হায়বদি। ন্যুক্লিয়র এজ অসিদা ন্যুক্লিয়র ৱার অমা হকথেংনরক্কদ্রা হায়রগা শকউদবা মহীক-খূৎপু অমনা, মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাওগী মশক ওইরবা লান অমা শিংনরক্কনি হায়বসিদি কনানসু খল্লম্লোই। কনানসু শেম শাহৌদবদুননি অসি য়ৌনা মাঙ তাক্লবা শক্তম অমা উরিবা। উফুল থাংদ্রবা, পাক চাউরবা মালেমগী চাউর-চাউরবা সহরগী লম্বীশিং, খুন্তাক লানশিবগুম পুমহাং হাংলিবসি মিলিটরি-ৱার ওইরম্লবা-উরম্লোই।

চরা হেন্দুনা শিবসু শিবা, কোরোনাভাইরসনা হাত্তুনা শির'সু শিবা, শিবই শিবা অমহানি খন্দুনা য়ূমলিংদনা লাম্থেংনরম্বা পুন্সি-লাম্মী (মাইগ্রেন্ট ৱার্কর) শিং ময়ূম লমদম পাংনবা লম্বী-লমজাওদা মূকথ্রুবী শঙ্গু'গুম পাইথোরকপা-কদায়দা করম লৈতাহন্দুনা চরা নোংখন্নরিবা? মখোয়গী ৱারীদুদি লীরক্লি ইফমদা টেলিভিজন-রিপোর্টরশিংনা। উহল্লি মীৎসিদা মখোয়গী অহিংবা শক্তমশিং। নোংঙাল্লমদাই খুদিংগী ইম্ফাল খোরি-কৈথেল'দা মনা-মশিং পুরক্তুনা অয়ূক পুং ৮, সিফায়শিংনা তানখায়দ্রিঙৈ য়োলহৌনবা হোৎনরম্বী, কৈথেলগী লাইরেম্বীশিংদুগী ৱারীদি লীবিগনি কনানা? মার্চ ২৩, ২০২০গী অয়ূক অঙনবা, জনতা কর্ফিয়ু লোইখিবগী নোংঙাল্লকপা, ফদিগোম মপুন অমখক থিগে হোৎনরিঙৈ, মাইক্কী থোঙদা থৌনা ফবা কনাগুম্বা অমনা লাউরকপা তাখি ... 'শ্বায়দা পোৎ য়োল্লিবশিংসি চাইখায়য়ু... পোৎয়োনবীশিংসি ফাজিল্লু... কোরোনাভাইরস শন্দোরক্কদৌরিবসি মখোয়নি'...। মখা তাবা ৱাহৈশিংদু তানীংখিদে। কনানো'সু য়েংলুদে। খরা লৈরগা খঙলকই - লমদমসিদা য়ৌরকখিবা ইহান হানবা কোরোনাভাইরস মহীক্তুদি 'লন্দন'দগী লাকপনি।

লন্দন! ঐখোয় পূম্নমকসিনা লাইরৈবাক্লুম খল্লম্বা! 'কর্ফিয়ু' হায়বদু, প্রাক্টিকেল্লি করিনো খঙদবা, মীচম-মীয়াম্না হিংবগী লন্নাই-নীংতম্বদুনা চেদা ইবা 'লো' দগী হেন্না লূম্না লৌজবা, 'লোক-দাউন' হায়বা রিগ্যুলেসনদু চৎনহন্নবা মীয়ামগী অয়াবা লৌদনা, লৈঙাকপনা নীংতম্বা ঙমদবা লম! লমদমদুগী মী (বৃটিশ) শিংনা শেল্লম্বা দ্রাকোনিয়ন/ইনহ্যুমেন লো'শিং, ইন্দিয়াদা মখা শমথহৌরগা, মরমদুদদি চৎহনখিদবা এক্ট/রুল ময়ামদুনা মী-তংখায় ওইবা ময়াম্না থন্না লৈবা ইন্দিয়া'সিদদি 'শকলোৎপা-থৌজাল' (ব্লেসিং ইন দিসগাইজ) অমা ওইনা থোক্লরে। ফেজ-টু'দগী থ্রী'দা লানশিল্লক্তনা লোক-দাউন লাউথোকপা ঙমহল্লে। য়ু-কে, অমেরিকা, য়ুরোপ'তা দাক্তর অমদা লায়েংনবা পেসিয়েন্ট তরানিথোই থুংবদু ইন্দিয়াদদি দাক্তর অমা, অনাবা লিশীং অমা চানিপান (১:১৮০০) নি। অহুমশুবা ফেজ য়ৌশিনখিবা থোক্লবা, ইন্দিয়া করি ওইগনি? ইখূৎসিনা ইনিংদে। তাবদা, ইরৈচাশিং থরক হুনগৎখিবা হন্থরক্লোই। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১১০

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ০৪, ২০০৯ :** থা অসিগী ১২দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা এম য়ু (মণিপুর য়ুনিভর্সিটি) গী ষ্টুদেন্টস মীট অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা কোলেজশিংদা পাঙথোক্লগদৌরিবা ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস মীটকী ইভেন্টশিং মহৈরোয় লূপ অহুম - এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা বোইকোট তৌরে হায়না মহৈরোয় লূপ অহুম অসিনা ঙসি পূন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এগী মায়োক্তা ইভেন্টশিং অসিদা শরুক য়ারম্বা মহৈরোয়শিং অমসুং কোলেজশিং অদুগী মথক্তা অখন্নবা ফিরেপ অমা লৌবগা লোয়ননা তঙাইফদবা থবকশিং তৌরক্কনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, এম য়ুগী অমসুং কোলেজশিংগী মরী লৈনবা খুদিংমক্লা ষ্টুদেন্টস মীট অমসুং স্পোর্টসকী ইভেন্ট খুদিংমক খুদক্তা য়েথোক্কদবনি/লেপকদবনি হায়নসু খঙহল্লি। লোয়ননা, মহৈরোয় লূপ অহুমগী লৈবশিংদি মহৈরোয় ওইগেরা, ওজা ওইগেরা মখোয় অদু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক শৌগৎপনি অমদি মতুংদসু মরাল লৈতবা মীওই কয়া সেক্যুরিটিনা হাৎলকপদা শৌগৎকদৌবগী ঙাইদুনা লৈরবা মীওইনি হায়না লৌগনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

মহৈরোয় লূপ ৩না করিগীদমক্তা অসিগুম্বা মহৈরোয়শিংগী ষ্টুদেন্টস মীট অমসুং স্পোর্টস মীটকী ইভেন্টশিংদা শরুক য়াদ্রিবনো হায়বগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ অসি মায়কৈ কয়াদগী লৈঙাক্লা মখল কয়াগী থৌরাং তৌদুনা নমথনবা হোৎনরি হায়বসি মীয়াম্না কূপ্না খন্থমিন্নবা তাই। মীয়ামগী ৱাখলদদি ঈহৌ হৌরিবা মীয়াম্বু পুলিসনা ফাবা পুনবা, টিয়র গ্যাস, রবর বুলেট কাপ্তুনা তানখায়বা, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট থুগায়বনচিংবা খক্তনা লৈঙাক্লা ঈহৌ নমথনবা হোৎনবা ওইনা উরম্বা য়াই। অদুবু মীয়াম্না হেক য়েংবদা অমদি তাবদা থাজরোইদবা মওং অমদা ঈহৌ নমথনবা লৈঙাক্লা হোৎনরকপা অসি মহৈরোয় লূপ অহুমসিনা য়াম্না কূপ্না লৈঙাক্কী খোঙথাংশিং নৈনরকপদগী খঙবা ঙল্লি। লৈঙাক্লা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লৌমী খরদা পোৎ চৈ খরা পীবা হৌখ্রে, অতৈ পোৎলম কয়াসু তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা য়েন্থোক্তুনা মীয়ামগী ঈহৌবু মমি শামহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অমুক অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লৈঙাক্কী মরু ওইবা থবক থৌরমশিংদা অমুক অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লৈঙাক্কী মরুওইবা মীওই কয়াসু য়াওশিন্দুনা মহৈরোয়শিংবু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনরক্লি। পব্লিক ফঙ্কসন কয়াদা এম এল এ, মিনিষ্টর য়াওহনগনু হায়বা অপূনবা লূপকী ৱাফম্বুসু অরেম্বা তাহন্নবা শিনবা থৌরমশিংগী মনুংদা হন্দক্তা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা স্কুল মীট ২০০৯ হায়না মিংথোন্দুনা মমিংতগী ওইনা মহৈরোয় খুজোক খরখক্তগী ওইবা স্পোর্টস মীট অদুদা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মহৈরোয় অমত্তা য়াওহন্দবা অদুনা মণিপুরদা লৈঙাক অমদি প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোয় হায়না অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা মহৈরোয়শিংগী অপূনবা পাঙ্গলবু শোন্থনবা লাল্লোং অমসু শিনখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং অতৈ কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়াসু য়াওদুনা লেন্নগে মতাগুম তৌখিবা অমদি মহৈরোয়শিংগী হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লক্লিবা মুভমেন্টকী মায়োক্তা ৱাফম কয়া চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপগী তাঞ্জা ফংখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ কোংগ্রেসকী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংবু মহৈরোয়শিংনা য়াবগুম্না কনাগুম্বা খরদদি উহল্লি অমদি সেন্ত্রেল লিদরশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক অমদি অতৈ এম এল এ, মিনিষ্টরশিংবু মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী মহৈরোয়শিংনা য়াই, মহৈরোয়শিংদুগা পূন্না থবক তৌমিন্নে হায়বদু উৎখিবগী খ্বাইদগী কান্নবা পাম্বে অমা ওইখি। ঈরাং তৌরিবা অসিদি মহৈরোয় খুজোক খরখক্তনা লালহৌবগী পাউতাক্তা তৌবনি হায়না লান্নসু পাউদমখি। এম য়ুনা শীন্দুনা ওক্টোবর ১২দগী হৌগদৌরিবা স্পোর্টসকী থৌরম অসিদসু চীফ মিনিষ্টর অমদি এম এল এ, মিনিষ্টরশিংসু য়াওশিল্লকপা য়াই, অদু ওইরবদি মহৈরোয়শিংগী খোঙজং পূম্নমক অৱাংবা থাক্কী মীৎয়েংদা অরেম্বা তাহল্লক্কনি। মরম অদুনা এম য়ুগী ষ্টুদেন্টস মীট অমসুং কোলেজশিংদা শীল্লিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগী স্পোর্টস অসিদা চীফ মিনিষ্টর অমদি এম এল এ, মিনিষ্টর য়াওগেরা য়াওরোইরা ঐখোয় মহৈরোয়শিংদি ঈহৌগা মরী লৈনদবদগী ফোংনা পুল্লপ পুল্লগা লৈররোই হায়না ফিরেপ লৌরে। অদুগা অতোপ্পা ৱাফম অমনা হৌজিক চত্থরিবা মীয়ামগী খোঙজং অসি মতম অমদা হেক্তা খঙকন কনশিল্লকপসু য়াই। মরম অদুনা মহৈরোয় পূম্নমক ঈহৌগীদমক্তা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈগদবা মতমসিদা তৌরবসু য়াবা, তৌদ্রবসু য়াবা মহৈরোয়শিংগী স্পোর্টস অসিদা পাঙ্গল অমসুং মতম মাঙহনফম থোক্তে অমদি মহৈরোয়শিংগী ৱাখলদা ঐখোয়গীদমক্তা খোঙজং চংশিনবা নত্তনা অতোপ্পা থবক তৌনবা মতম মচেৎ অমত্তা লৈতে হায়বদুসু উৎমিন্নগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা মহৈরোয়শিংগী স্পোর্টস খুদিংমক্তা মহরোয়শিংনা শরুক য়াবীগনু হায়না আপিল তৌজরিবনি।

জুলাই ২৩গী থৌদোক মতুংদা মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনসু মহৈ তম্বা লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লিবা অসিদা মণিপুর পুলিসকী দি জি পি অমদি অতৈ সেনিয়র ওফিসরশিংনা মথৌ নত্তবদা মথৌ শাদুনা মহৈ তমহন্নবগীদমক্তা অতত্তাই ওইনা কোয়চেন চেল্লি হায়না মরাল শিরদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, ইন্দিয়াগী অমদি অতোপ্পা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ঈরাং মখল কয়া থোকখ্রে অমদি মফম কয়াদা মহৈ তম্বা লেপ্পখিবসু অদুম য়াওখি। অদুবু অদুগুম্বা লৈবাক্তুদা মফমদুগী পুলিসশিংনা মহৈ তম্নবা অতত্তাই ওইনা চেনখিবা লৈখিদে। মহৈ তম্বগী পোলিসি অসিদি লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌজগদবনি। লৈঙাক্কীসু মসিগীদমক্তা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট হায়না য়াম্না চাউনা হাংদুনা লৈরিবনি। মণিপুর পুলিসনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মথক্তা লৈরব্রা হায়বসিসু পুলিসকী থৌওংশিং অসিনা হংনীংঙাই ওইরক্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ২/৩না লোন্না ক্লাস তৌরে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, লোন্না ক্লাস তৌবসি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা খুদক্তগী লেপ্পীয়ু হায়নসু আপিল তৌরি। লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা থবক চত্থবদা অখাকপা লৈরোই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

এম য়ুগী বস রুট অদুসু এমসু, এম এস এফ অমদি কে এস এগী মায়োক্তা মহৈরোয় পুথোক-পুশিন তৌবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা খুদক্তা চেনবা লেপকদবনি। নৎত্রবদি মহৈরোয় লূপ অহুম্না চত্থরকপা থবক্কী মহয় মায়োক্লজগদবনি। মরম অদুনা মহৈরোয়শিং অমদি অতৈনা মতম পূম্বদা য়ুনিভর্সিটিগী বসতগী লাপথোক্লা লৈবীয়ু। পিক্লিবা মহৈরোয় কয়ানা মীয়ামগী খোঙজং শৌগৎতুনা মহৈ তম্বা লেপখ্রবা মতুংদা এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ২/৩গী মহৈরোয় অমদি ওজা খুজেক খরনা লৈঙাক্কী থৌশিলনা ইনশিল্লগা চঙশিনবা মানবা মওংদা লোন্না লাইরিক তম্লিবা অসি ইকায়নীংঙাইনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

**ওক্টোবর ০৪, ২০০৯ :** মণিপুরদা হৌজিক চত্থরিবা দেমোক্রেসিগী খোঙজং অসি হেন্না কনশিন্দুনা ইবোবীগী লৈঙাক অসি ইন্থুবা মতম ওইরে হায়না মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দিল্লি (মসাদ) না হায়রি।

খ্বাইরম্বন্দ বজারদা থোকখিবা থৌদোক্লা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্লা চত্থরক্লিবা থৌওংশিংবু নুংঙাইতবা ফোঙদোল্লদুনা মসাদকী চেরোল অমনা হায়রি, মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম মরুওইনা লৈঙাক্লা মীয়ামগী লৈনরিবা মরী অসি য়াম্না লুবা ফীভম অমনি।

মসাদকী চেরোল অসিনা হায়রি, মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনদি মীয়ামগী রাইটশিং অসিবু নাথৈদুনা থল্লগা লৈঙাক অসিনা অচুম্বা অদুগা মীয়াম্না আইনগী মায়োক্তা লৈবা অমদি খুদোংথীনীংঙাই ওইবা অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনৈ। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি করিদগী ওইরকখিবনো হায়বদু লৈঙাক অসিনা খন্থুদে অদুগা নাকল অমরোমদা মীয়ামগী খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা কোচিং সেন্টরশিং য়াওনা মহৈ তম্ফমশিংদা লাইরিক তম্বা ফংদ্রিবা অসিবুদি লৈঙাক অসিনা য়ৈখাই থিনগাইবা অমা ওইনা উই হায়নসু মসাদনা হায়রি।

হৌজিক মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মীয়াম অমদি লৈঙাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওং অমদা লাক্লবা অমসুং লৈঙাক্লা মীয়াম্বু অকি তুজুংবা শক্তম অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবা থৌওং অসিবু থিংনবনি হায়নসু মসাদনা হায়রি।

অশোইবশিং অসি চুমথোক্কে হায়রবদি হৌজিক চঙশিল্লিবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং অসি কনশিলহন্দুনা মণিপুরদা লৈরিবা ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক অসি ইন্থুবনা ওইগনি হায়না মসাদকী চেরোল অসিনা মখা তারি। ●